থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# ক্রিয়েটিভিটি ... ক্রিয়েটিভ পোলিটিসিয়ন!

'তিংপানবা' (য়ুনিভর্স) অসিবু শেম্বীবা মপু অমা লৈ ... তাইবঙপানবা অসি ঈশ্বর মাগী খূৎশেমনি ... 'গোদ ইজ এ গ্রেট ক্রিয়েটর' ... চীনহায় কয়ানি মীওইবনা শেল্লস্বা। ৱাহায়শিংসি অহানবা তারকপা, অঙাং ওইরিঙৈদুদা খনখি - 'ঈশ্বর'সি মথৌ য়াম্না চিল্লম'নি, ঙাইহাক্তা পোত্থাবা শংলল্লোই... ঈশ্বর হায়বসি অমত্তনিসু হায়, তাইবঙসি লৈরিবা লেঙলি-পাল্লিবা পূম্নমক মহাক্কী খূৎশেমনিসু হায়'। ঈশ্বর হায়বসি মীওইবগী ৱাখলদতমক লৈবা, পোৎশক ওইনদি লৈতবা, 'কন্সেপ্ট' অমনি হায়বা খঙলকখিবদি কাইনথঙদনি। মাগী মরমদা ইবা লাইরিক পারুরগনি 'মহাক, ঐখোয়দগী তোঙানবা পোৎশক/এনটিটি অমনি' হায়বসি থাজদবা হেল্লক্লিবা।

লাইগা মরী লৈনবা ৱাশিংগী মরক্তা ঐঙোন্দা খ্বাইদই 'স্ত্রাইকিং' ওইবা ৱাহায়সি ... 'গোদ ইজ এ গ্রেট ক্রিয়েটিভ আর্টিষ্ট' হায়বা ৱাহায়সিনি। অতৈগী নত্তে, ঐনা উখিবা লৈ (লৈ মশা ওইনা নৎত্রগা ফোটো ওইনা) মখল কয়াগী মচুশিং, লৈ মশা অমত্তদা মচু মখল কয়ানা ফেনজিন্দুনা শাৎলিবা, মচু মখলসিমদি চূনদে - কনানা হায়বা ঙমখ্রবগে? লাইয়েকপা খুদিংমক্কী পূক্লিং ইথিল-মহৌশা অমদি লৈকোলগী লৈরাং অনীসিনি। মতাংসিদই ওইগনি খল্লি - আর্ট হায়বা মীওইবগী খূৎশেম অসিদা ক্রিয়েটিভ আর্ট' হায়বা অতোপ্পা ৱাহৈ-ৱাপা অমা শেল্লকখিবা।

হৌজিক ৱাহং অমা থোক্লকই - 'ক্রিয়েটিভিটি' হায়বসি করিনো? ক্রিয়েটিভ আর্ট' হায়বা অমা লৈরবদি নন-ক্রিয়েটিভ আর্ট' হায়বা অমা লৈবরা? ৱাহৈ অসি শেমদ্রিঙৈ, হান্না লৈরম্বা আর্ট মখল পূম্নমকসি 'ক্রিয়েটিভ ওইদবা আর্টনি' হায়দৌরিবরা? লাই য়েকপা, জগোয় শাবা, ঈশৈ শকপা, শৈরেং ইবা, ৱারেং/ৱারী ইবনচিংবা থবকশিং অসি নৎত্রবদি মী অমগী থবকসি ক্রিয়েটিভ ওইবা য়াদবরা? ৱাহং কয়া হংনরকই। মরম অমা লৈবননি। মণিপুরদসু, মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা শীনবা দ্রামা ফেষ্টিবেলশিংদা 'ওল মণিপুর দ্রামা ফেষ্টিবেল ফোর ক্রিয়েটিভ দাইরেক্টরস' হায়না কন্না শীজিন্নরম্মী, চাং নাইনা পাঙথোকপা ঙম্লিঙৈদা (হৌজিক্তি ঙমখিদ্রে)। শুমাং-লীলা ফেষ্টিবেলদদি ক্রিয়েটিভ দাইরেক্টর হায়বা ৱাহৈসি শীজিন্নদে। শুমাং লীলাগী দাইরেক্টরশিংদি ক্রিয়েটিভ ওইদে হায়রিবরা, মদুমদি খঙদে ঐ। থিয়েটর সেন্টরনা শীনবা শোর্ট-প্লে কম্পিটিসন'দসু 'ফোর ক্রিয়েটিভ দাইরেক্টরস' হায়বসিমদি ময়েক শেংনা পল্লি। হায়বদি, 'ক্রিয়েটিভ ওইদবা দাইরেক্টর লৈ' হায়বসি অশিন-অরাং তৌরিবশিংগী মফমদা ময়েক শেংই হায়বনি। ইবদসু অদু মঙায়, শৈরেং-ৱারেং অনীমক্তা 'ক্রিয়েটিভ রাইটিং' হায়ব'না কন্না শীজিন্নরকপসিনা, কনাগুম্বা খরগী মফমদা খূৎই মখল অনী লৈ হায়বা ৱাখলসিসু নাখে শেংই। অদুবু ঐদি খল্লি - ক্রিয়েটিভিটি হায়বসি অকক্নবা শিনফম/থবক খরাখক্তদা শীজিন্নগদবা ৱাহৈ নত্তে। এনিথিং কেন বি ক্রিয়েটিভ - থবক খুদিংমক ক্রিয়েটিভ ওইবা য়াই। ক্রিয়েটিভিটি হায়বসি থবক অমগী ক্বালিটি/থাক অদুনি। নুপী অমনা ৱাই শীৎপা/শেংবা/তৈবদা, পুজারি অমনা চাকখুমদা চাক থোংবা/থাকপদা ক্রিয়েটিভ ওইবা য়াই/ওইদবসু য়াই। থবক/ক্রিয়েটিভিটি অদু নত্তে, ক্রিয়েটিভিটি হায়বসি থবক অদু ঐনা/নঙনা/মানা করম্না তৌবগে হায়বদুনা লেপ্পী। আইদিয়া অমা ঐনা করম্না লৌশিনবগে, নৎত্রগা, প্রোব্লেম অমা ঐনা করম্না সোল্ভ তৌনবা হোৎনবগে হায়বদুনা লেপকনি - ঐহাক ক্রিয়েটিভ ওইবরা? নৎত্রগা ওইদবরা? 'ক্রিয়েটিভ থিঙ্কিং' গী ৱা খন্নরকপদা ইঞ্জিনিয়রিং, সাইন্স, আর্ট অমদি লিটরেচরগী থবকশিংখক্তবু খন্নবা, অরানবা 'নোসন' অসি ৱাখলসিদই হান্নমুক্তং তান্থোকখিসি। লৈজ খিদ্রবা, চরা অনীখক চাননবা হোৎনবদা অৱাবা ওইরিবা ইমুং অমনা মচানুপা নৎত্রগা নুপীদু অফবা য়ুনিভর্সিটি/ইন্সটিট্যুসন অমদা মহৈ তমহন্নবা থৌরাং য়াৎলকপদুসু 'ক্রিয়েটিভ থিঙ্কিং' নি। লৈকায়গী অমোৎ-অকায় হুন্দোকফম ওইরম্বা, অপূম-অশানা থল্লম্বদু লৈকায়না মীথানদবা কনাগুম্বা অমনা মীয়ামগী পোত্থানফম, তরু-তনানবা মফম অমা ওন্থোরকপদু মহাক্কী ক্রিয়েটিভ থিঙ্কিংনি। ক্রিয়েটিভ মাইন্দ, ক্রিয়েটিভ থিঙ্কিং - ক্রিয়েটিভ ওইবা থবক অমা পাঙথোক্লবগী অহানবা তঙাইফদবা অমনি।

অসুম্না, ৱাখল মোন্দ্রং শান্নরুঙৈ খল্লকই - সাইন্টিষ্ট, ইঞ্জিনিয়র, আর্টিষ্ট, রাইটরশিংগী মরক্তদি ক্রিয়েটিভ ওইবা মী থোক্লক্লগা, পোলিটিসিয়নশিংগী মরক্তদি 'ক্রিয়েটিভ পোলিটিসিয়ন' থোক্লক্ত্রিবা করিগীনো/ মীহাৎ-মীপূন-করপসন'না হারবা লৈবাক-খুন্নাই অসিবু 'ঈংবা-তপ্পা-তংদু লৈতাবা খুন্নাই অমা ওইহনগনি' চহী মঙা খুদিংগী ৱাশক্তুনা লৈবাক ঙাক্লকখিবা লৈঙাকপশিং অসিনা, মাগী মতম লোইবা খুদিংগী হান্নদগী তমথীবা লৈঙাক অমমম পুরক্লমদুনা য়েংহৈদ্রবা ফীভমদা থম্বীরল্লিবসি করিগীনো? লৈঙাকপশিংগী মফমদা ক্রিয়েটিভ থিঙ্কিং মাঙখিবা, ক্রিয়েটিভ পোলিটিসিয়ন থোক্লকখিদবননি। লাল্লবরা?

পোলিটিসিয়নশিংবু নিন্দা তৌজবসু নত্তে, তৌগেদা ঙম্বা মখোয়দা তাকচবসু নত্তে, ৱারেংসিগী খূত্থাংদা ৱা অমত্তং হায়জনীংই মখোয়দা। খ্বাইদই কনবা/খ্বাইদই ঙম্বা লৈঙাকপা, প্রাইম মিনিষ্টরবু চীফ মিনিষ্টরশিংগী খূত্থাংদা লৈবাক মীয়ামসিদা ৱাফম অমখক পাউজেল ওই/ৱাহং ওই পীহন্নীংই ... 'লৈবাকসিদা থোক্লিবা মীহাৎ-মীপূন-হুরান-চিন্থি পূম্নমক লেপহন্নবা অমত্তা ঙায়রবা থৌরাং অমা ওইনা লৈবাকসিদা লৈরিবা কৈশুমশঙ (জেল) পূম্নমক মূত্থৎনবা ফিরেপ লৌরে, থবকসি করম' পাঙথোক্কদগে, অদোমগী থৌরাং-থৌশিল তাকপীরকউ, শোয়দনা লৌশিঙ্গগনি'।

থাজবীয়ু। পাউখুম মখল অনীখক লাক্কনি। অহানবা কাঙলূপ ... 'মথোঙ হুক্তবা, অঙাওবা নিংথৌগী অঙাওবা ৱারেপ হন্দোকপীয়ু ... মীহাৎপা দাকু, হুরানবা, রেপিষ্ট, তমথীরবা-মরাল-লৈবশিং অসিবু মনীং তম্না থাদোক্তুনা মীয়াম মরক অসিদা করম্না লৈহনগদৌরিবনো... মীহাৎ-মীপূন হেল্লক্কনি, কৈশুমশঙ মূত্থৎপগী মহুত্তা মশীং হেন্না লিংখৎকদবনি'...।

অতোপ্পা মী মখল, কাঙলূপ অমসু থোক্লক্কনি, হায়রক্কনি ... 'কৈশুমশঙশিংসি মূত্থৎত্রিঙৈ লায়রবা হান্না মূত্থৎলু, ক্রাইম পূম্নমক্কী হৌরকফম পূক্কী লান থেংনবা ঙমদবা অদুনি ... মহৈ লোইশঙ ৱাৎহনগনু, অফবা ওজা হাপ্লু, ওজাশিংবু ইকায় খুমনৌ... এদ্যুকেসন' -মঙাল ফংদবা, অমম্বা লম্বীদা চৎপনি... সোসল-ইকনমিক অমদি এদ্যুকেসনল রিফোর্ম পোলিসি পায়খৎলু... ক্রাইম মশীং হন্থরবা, কৈশুমশঙসু মদোম মরোমদোম মূৎচখিনি'...।

খন্থবীয়ু। কনাগী ৱা তাগনি? ক্রিয়েটিভ ওইবা করম্বনো?

লৌশিং পুক্কে

# হাইপরটেন্সনগী মরমদা মীয়াম্না লান্না থাজনবশিং-১

হাইপরটেন্সন নৎত্রগা ব্লদ প্রেসর (বি পি) ৱাংবা হায়বসি মালেমগী মফম খুদিংমক্তা লৈবা মীওইশিংদা য়াম্না তোয়না থেংনগনবা খুদোংচাদবা ফিভম অমনি। ফিভম অসিগী মরমদা মীয়াম্না লান্না থাজনবশিংগী মরমদা খঙজিন্দুনা অচুম্বদু খঙদোকপা হায়বসি তঙাইফদবা অমনি।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)গী রিপোর্ট মতুংইন্না মালেম পুম্বগী ওইনা মীওই বিল্লিয়ন ১.১৩ রোম ব্লদ প্রেসর ৱাংই হায়রি। বি পি ৱাংই হায়বা খঙনবা থোইদোকপা লাইওং উত্তবা কয়া অমসু লৈবনা মীওই কয়া অমদি মশানা ব্লদ প্রেসর ৱাংই হায়বা খঙজদে।

হাইপরটেন্সননা নাবগী চাং লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লবসু, মসিগী মরমদা লান্না থাজবা অমদি অরানবা ৱাফম কয়া অমদি হৌজিকফাওবা মুৎপা ঙমদনা লৈরি।

ইহান হানবা ওইনা ব্লদ প্রেসর হায়বসি করিনো হায়বা অসি খঙজিনবদা কান্নগনি। সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ত্রোল এন্দ প্রিভেন্সননা হায়বগী মতুংইন্না ব্লদ প্রেসর হায়বসি ঈ পুবা শিংলি (আর্টরি)শিংগী ৱালদা ঈনা ঈনবগী প্রেসর অদুবুনি।

ব্লদ প্রেসর হায়বসি মহৌশানা অমুক ৱাংখৎপা অমুক নেমথবা নাই। খুদম ওইনা হকচাং শাজেল তৌরিঙৈ মনুংদা ৱাংখৎকনি, অদুগা কুইনা পোত্থারগা লৈরবা মতমদনা নেমথরক্কনি। অদুমওইনমক, ব্লদ প্রেসর অসি মতম কুইনা-শাংনা ৱাংখৎতুনা লৈরবদি তোঙান তোঙানবা হকশেলগী ওইবা খুদোংচাদবা কয়াগী রিস্ক ৱাংখৎলকই।

হাইপরটেন্সনগা মরী লৈনবা অরানবা ৱাফমশিংগী মতাংদা মখাদা নৈনরি।

**অরানবা ৱাফম -১:** ব্লদ প্রেসর অসি খুদোংথীনিংঙাই ওইদে

হাইপরটেন্সন অসি তশেংনা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা চাংদা য়ৌরকপা ঙমই। ব্লদ প্রেসর ৱাংলগা লায়েংথোক্তনা থল্লবদি হার্ট এটেক, ষ্ট্রোক, কিদনি দিজিজ, হার্ট ফেল্যির, অঞ্জাইনা, মীৎ উবগী পাঙ্গল হন্থরকপা, হকতিন্নবগী পাঙ্গল মাঙবা, অমদি পেরিফরেল আর্টরি দিজিজনচিংবা য়াওনা হকশেলগী ওইবা খুদোংচাদবা কয়াগী রিস্ক ৱাংখৎহল্লকই।

হাইপরটেন্সননা তোঙান তোঙানবা মওং কয়ামুক্তা অমাঙ অতা থোকহল্লি। খুদম ওইনা মতম শাংনা আর্টরিয়ল প্রেসর হেনগৎলকপনা ঈ উতোংশিং অদু মরিল চৎপা (ইলাষ্টিক)গী চাং হন্থরকই। মসিনা মরম ওইরগা হার্টতা য়ৌগদবা ওক্সিজেন অমদি




ঈগী চাং হন্থরকপদগী হার্টপু অমাঙ-অতা থোকহল্লি।

ব্লদ প্রেসর ৱাংবনা ব্রেনগী অশোনবা ঈ উতোংশিংবুসু মাঙ তাকহল্লি, মসিনা ঈ উতোংশিং অদু ফুঞ্জিনবা নৎত্রগা কায়বগী রিস্ক ৱাংখৎহল্লি।

**অরানবা ৱাফম-২:** হাইপরটেন্সন অসি ঐখোয় ইমুংগী ওইনা অদুম নাদুনা লাক্লবনি, অদুনা ঐনা করিসু তৌনিংঙাই লৈতে

রিসার্চকী মতুংইন্না হাইপরটেন্সনদা পারি-পুরিগী ওইবা মচাক য়াওই হায়রি। কুমজা ২০১৭দা চথখিবা মীরোন (জেনরেসন) অহুমগী পার্টিসিপেন্টশিংগী দেটা য়াওবা ষ্টদি অমগী ওথরনা ফোঙদোকখি মদুদি, 'মপু-মবেনগী হাক্তক্তা চহী নৌনা হাইপরটেন্সন নাখিবনা মশূ হাক্তক্তা হাইপরটেন্সনগী রিস্ক ৱাংই। পুন্সি মরেলগী ফেক্টরশিং অমদি মমা-মপাশিংদা চহী নৌনা হাইপরটেন্সন লৈবগী থৌওং অদু এদজষ্ট তৌরবা মতুংদসু হায়রিবা ফিভম অদু অদুম ওই।'

অদুমওইনমক, হাইপরটেন্সন হায়বসি পারি-পুরিগী ওইনা রিস্ক ৱাংবা য়াবা মীওইশিংদফাওবা নান্থোকপা য়ারোইদবা ফিভম অমদি ওইদে। লায়না অসি অনম্বনা জিনগা মরী লৈনদবা পুন্সি মরেলগী ফেক্টরশিং (খুদম ওইনা দাইট)না নাহনগল্লি।

কুমজা ২০১৮দা চথখিবা, মীওই ২৭৭,০০৫গী জিনেটিক, লাইফষ্টাইল, অমদি হকশেলগী দেটা এনালাইজ তৌখিবা ষ্টদি অমগী ওথরনা হায়খি মদুদি, 'হকচাং ফবা পুন্সি মরেল অমা (অফবা দাইট, য়ু থকপগী চাং হন্থবা, য়ুরিনরি সোদিয়ম এক্সক্রিসন হন্থবা, বোদি মাস ইন্দেক্স নেম্বা, অমদি ফিজিকেল এক্টিভিটিগী চাং হেনগৎপা য়াওনা) লেল্লবদি পারি-পুরিগী ওইবা রিস্ক লৈরবসু ব্লদ প্রেসর নেম্না থম্বা য়াই হায়বসি ঐখোয়গী ষ্টদি অসিনা উৎলি'।

পারি-পুরিগী ওইনা ব্লদ প্রেসরগী রিস্ক লেবেল অমদা হেক্তা লৈরবসু হকচাং ফবা পুন্সি মরেল অমদা লেল্লবদি মাইওকার্দিয়ল ইনফ্রাক্সন, ষ্ট্রোক, অমদি কম্পোজিট কার্দিওভাস্কুলর দিজিজগী রিস্ক হন্থে হায়নসু মখোয়না খঙবা ঙমখি।

**অরানবা ৱাফম-৩:** অহল ওইরক্লগা ব্লদ প্রেসর ৱাংবা হায়বসি শোয়দ্রবা ৱাফম্নি

হাইপরটেন্সন হায়বসি পুন্সিগী নান্থোকপা য়াররোইদবা ফিভম অমা নত্তে, অমদি মসি অহল ওইরকপগী শরুক অমসু নত্তে। মসি অহল ওইরবা মীওইশিংদনা হেন্না নাগল্লবসু, মীয়ায় চল্লবা মীওইশিং, অমদি নহাশিংসু ব্লদ প্রেসর ৱাংবগী থৌওং মায়োক্লে।

মশাগী চহী ১৮-৩৯দা লৈবা মীওইশিংগী চাদা ৭.৫, মশাগী চহী ৪০-৫৯দা লৈবা মীওইশিংগী চাদা ৩৩.২, মশাগী চহী ৬০গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংগী চাদা ৬৩.১ রোম হাইপরটেন্সন নাই।

চহী য়াম্বা হেনবগা লোয়ননা লায়না অসি নাবা হেনবগী ফিভম অসি লৈরগসু পুন্সি মরেলগী ওইবা অকক্নবা পান্থেশিংনা ব্লদ প্রেসর ৱাংবগী ফিভম ওইহল্লকপা য়াবগী চাং নীংথিনা হন্থহনবা ঙম্মী। পান্থেশিং অদুগী মনুংদা থুম চাবগী চাং হন্থবা, চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা, মৈখু শীজিন্নবা তোকপা, অমদি অফবা দাইট চাবনচিংবা য়াওরি।

# ডা. লাইরেঞ্জম ধনমঞ্জুরিবু অসামগী বি আর এম গভর্ণমেন্ট লো কোলেজগী প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ ওইনা খনখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচএনএস): অসামখক্তগী নত্তনা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী ষ্টেট পূম্নমক্কী মনুংদা খ্বাইদগী অহানবা লো কোলেজ অমসু ওইরিবা ষ্টেট অসিগী গুৱাহাটিগী পান বজারদা লৈবা বিষ্ণু রাম মেধি (বি আর এম) গভর্ণমেন্ট লো কোলেজগী প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ ওইনা ডা. লাইরেঞ্জম ধনমঞ্জুরিবু এপোইন্টমেন্ট পীখ্রে।

মসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্ট ওফ অসামগী কাহিলিপরাদা লৈবা দিরেক্টর ওফ হায়র এদ্যুকেসন (অসাম) গী দিরেক্টর জি ফুকননা থা অসিগী ২৪দা ওফিসল ওইবা ওর্দর অমা থোকখ্রে।

ওর্দর অদু মহাকপু লো কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ইন-চার্জদা এপোইন্টমেন্ট পীনবগীদমক অসাম লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পীরকখিবা ওফিসল ওইবা চেরোল (নম্বর এ ঐচ ঈ - ৪৫৯/২০২০/৪, দিসেম্বর ১৭, ২০২০) গী মতুংইন্না এপোইন্টমেন্ট অসি পীবনি হায়রি।

মশামক লোদা মাষ্টর ওইবদা নত্তনা পি ঐচ দি ফংলবা ডা. এল ধনমঞ্জুরিবু অসামগী অহানবা ওইবদা নত্তনা অসাম লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা গভর্ণমেন্ট লো কোলেজ অমখক্তং ওইরিবা কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখিবনি। মহাক্কী এপোইন্টমেন্ট ওর্দর অসিগী মতুংইন্না মহাক্না ফম অসিগী চার্জ লৌবদা কোলেজ অসিগী টিচিং অমদি নন-টিচিং ষ্টাফ অমসুং মহৈরোয় পূম্নমক্না নুংঙাইবা ফোঙদোক্তুনা তরাম্না ওকখ্রে।

ডা. এল ধনমঞ্জুরি খুরাই চীংঙাংবম লৈকায়দগী এল রনবির অমদি ললিতাবীগী অহুমশুবী মচানুপীনি। মহাক কোংবা লাইশ্রম লৈকায়দা লৈবা ডা. নিঙোম্বম সঞ্জিব মৈতৈ (অপোকপা নিঙোম্বম ইবোহল মৈতৈ অমদি অপোকপী নিঙোম্বম ওংবী বিনো লৈমা) গী লোয়নবীনি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা বি আর এম গভর্ণমেন্ট লো কোলেজ অসিদা প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ ওইরম্বা অসুটোস কুন্দুবু সর্ভিসতগী সস্পেন্দ তৌখিবগী হাঙদুনা লৈরিবা পোষ্ট অসিগীদমক কোলেজ অসিগী সিনিয়র মোষ্ট ওইরবী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. এল ধনমঞ্জুরিবু অসাম লৈঙাক্কী অপান্বগী মতুংইন্না কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ হাপখিবনি। কোলেজ অসি কুমজা ১৯১৪দা লিংখৎখিবনি হায়রি।

# প্লাষ্টিক য়াম্না খোমজিনবা চাংদম্নবগী মনা য়েন্থোকখ্রে

ককচীং, দিসেম্বর ২৯ (ঐচএনএস): মিনিষ্ট্রি ওফ হাওজিং এন্দ অর্বান এফেয়রস, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী স্বছ সুরভেকসন ২০২১গী মখাদা ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা শীন্দুনা সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিক শীজিন্নদবা/লৈতবা লমদম অমা পুরক্নবা পান্দমদা প্লাষ্টিক য়াম্না খোমজিনবগী চাংদম্নবা পাঙথোক্তুনা অথোই অহেন তাখ্রবশিংদা মনা লান্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

এন জি ওশিং, লন্নাই মীওইশিং অমসুং সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা চাংদম্নবা অদুদা ৱাই চাইগোই অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা প্লাষ্টিক কিলোগ্রাম ৪৫০ খোমজিন্দুনা অহানবা, লকি সেল্ফ হেল্প গ্রুপ, ককচীং চুমনাংনা কিলোগ্রাম ২৭৬ খোমজিন্দুনা অনীশুবা অমসুং ৱার্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটি, ৱার্দ নম্বর টু, ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা অহুমশুবা মনা ফংখি।

অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা মনাশিং অসিদা শেল ওইনা মথংশিংনা লুপা লিশীং ৭, লিশীং ৫ অমসুং লিশীং ৩,৫০০গী মনা পীখি। শরুক য়াখিবা কাঙলূপশিংদসু শেলগী মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

থৌরম অদুদা ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চেয়রপর্সন নাওরেম শঞ্জিৎকুমারনা ফোঙদোরকপদা, হকচাংদা মাঙনীংঙাই ওইরবা, লৈবাক লৈহাওদা অমদি নুংশিৎতা শোকহল্লক্লিবা কয়া অসিদগী কলহৌনবা মালেমদগী সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিক শীজিন্নবা তোল্লকসি হায়না, 'ককচীং অসি সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিক শীজিন্নদবা, লূ-নানবা টাউন' অমা ওইহন্নবা পান্দমদা মমাঙ চহীদগী চাংদম্নবা অসি অনীরক/অনীরক পাঙথোক্লবসু ৱারেপ্নদুনা লৈরিবনি। লাইবক থীবদি মালেমগী ওইনা পাক শন্না শন্দোরক্লিবা মীপাইনীংঙাই ওইরবা কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা পাঙথোকপদি ঙমখিদ্রে। অদুম ওইনমক লৈঙাক্না কন্না হোৎনবদগী কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরকপগী চাং খরা নেমথরকপদগী চাংদম্নবা অসি পাঙথোকপনি। মতুং তারকপদসু মীয়াম্না সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিক শীজিন্নদবা, তরু-তনানবা ককচীং টাউন অমা পুরক্নবা হোৎনবদা মীয়াম পূম্নমক শরুক য়ামিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ভাইস চেয়রপর্সন কে এস ঐচ ঝলজিৎ, কাউন্সিল্লরশিং, ঈ/ও তুঙলুট খাম্মীন্থাং, এ ও, এন রামাচন্দ্রসু শরুক য়াখি।

# রিভিজন ওফ ষ্টেট এক্সন প্লান ওন ক্লাইমেট চেঞ্জ ওফ মণিপুরগী মতাংদা ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে

ককচীং, দিসেম্বর ২৯ (ঐচএনএস): মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ অমদি এলাএন্স ফোর দিভলপমেন্ট অলটর্নেটিভ মণিপুর অনীনা শীন্দুনা ঙসি ককচীংগী অঙান চীং ইকো পার্কতা দিষ্ট্রিক্ট লেভেলগী কন্সলটেটিভ ৱার্কশোপ ফোর রিভিজন ওফ ষ্টেট এক্সন প্লান ওন ক্লাইমেট চেঞ্জ ওফ মরিপুর এন্দ প্রিপরেসন ওফ দিষ্ট্রিক্ট ইনভাইরনমেন্ট প্লানগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

দেপ্যুটি কম্মিস্নর ককচীং কেঙু জুরিংলা (আই এ এস) অমদি এ দি এ এমগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর এন রাজমুহোননা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন অমদি থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ঙসিগী থৌরম অদুদা ক্লাইমেট চেঞ্জগী ষ্টেট নোদেল ওফিসর ডা. ব্রজকুমারনা থৌরমগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীখি।

তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসরশিং, ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা লূপ কয়াগী মীহুৎশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর কেঙু জুরিংলানা হায়খিবদা, ঐখোয় মীওইবনা নুংঙাইবা পুন্সি অমদা হিংনবা হোৎনবদা মহৌশা লাইরেম্বীগী মপাল তাংদবা য়াদে। অদুবু ঐখোয়না নুংঙাইবা পান্নিবনি হায়দুনা তুংগী মীরোলশিংগী অমত্তা য়েংদনা ইশাখক্তগী খল্লগা থবক তৌরুরবদি মহৌশাগী শক্তমদা চাউনা অকায়বা লাক্কনি। মরম অসিনা ঐখোয়না মহৌশাগী পোৎলমশিং অসি শীজিন্নবা তারবসু অকক্নবা চাং অমদা শীজিন্নবা মথৌ তাই।

লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসরশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাক্লিবা লূপশিংগী মীহুৎশিংনা পীরক্লিবা ৱাখল্লোন কয়া অসি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা থবক্তা ওন্থোকপা মতমদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী কায়থরক্লিবা মহৌশাগী শক্তম অসি শোয়দনা কনবা ঙমগনি হায়খি।

# নিংথম খুদোল পীবগী থৌরম মখা তানা চথখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচএনএস): মোইরাং কৈথেল অমসুং অকোয়বদা লৈবা কৈথেলশিংদা নিংথম খুদোল পীখ্রবা মতুং হিংনবা লান্থেংনরিবী পোৎফম ফম্বী ইমা-ইবেলশিংদা মখা চথরকপা ওইনা মোইরাং এ সীগী মমাঙগী মীরেপ টি ঐচ শান্তিনা ব্লাঙ্কেট অমমম ঙসি খূৎশিন্নখ্রে।

মোইরাং এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা মফমশিং ফুবালা, শুনুসিফাই, নরানসৈনা, থম্নাপোকপী, ওকশুংবুং, ত্রোংলাঊবী, খুদেকপী, তেরাখোংশাংবী, ক্বাক্তা বজার হায়রিবা মফমশিং অসিদা অঙৈং-অশা খাঙদুনা হিংনবগীদমক লান্থেংনরিবী ইমা ইবেলশিং অসিদা ব্লাঙ্কেট খূৎশিন্নবগা লোয়ননা চেকশিন ৱা ওইনা লৈঙাক অমসুং মরী লৈনবা মেদিকেল দিপার্টমেন্টনা পীরিবা গাইদলাইন অমসুং এস ও পিশিং অসি ঙাক্তুনা কোভিদ-১৯ অসি লান্থেংমিন্নরসি হায়না টি ঐচ শান্তিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, লৈঙাকখক্তা ঙাইদুনা লৈথোক্লগুমসি, মণিপুরদা লায়না অসিদগী শিবগী চাং ৱাংখৎলক্লিবা অসিদগী মুন্না খন্থবিদুনা হিংনবগীদমক লান্থেংমিন্নরসি। হিংদবদি য়াদবনিনা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিবুসু লান্থেংনদবা য়াদে, পূম্নমকসি উরুরবগা ঙসিসু মখা তানা ইশামক হকথেংননা লাকচদুনা ইশাগী মায়কৈদগী অঙন্বশিং অসি খূৎশিন্নজবনি হায়খি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

### মীয়ামগীনা এস ও পি ঙাক্কদবনি হায়বা লৈঙাক্কী থৌরমশিংদনা এস ও পি ঙাক্তবা লাইবক থিবনি



কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিগী মনুংদা নোংমদি লৈঙাক অমদি মীয়াম অনীগী মরক্তা চাওনা মুক্নবা অমা লাক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। গভর্ণমেন্টনা শেম্বা এস ও পি ঙাক্কদবনি হায়দুনা লৈত-লায়রবা কয়ানা অশি-অনা অমদি লাইনিং-লাইশোনগী থৌরম পাঙথোকপদনা অককনবা মশিং থমদুনা পোয়েং শেল ফাওবা হল্লকপা অমদি পাঙলক্কদবা কয়া কোভিদ-১৯গী চৎন-কাংলোন ঙাক্তুনা লৈবসিনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিবনি। লোয়ননা লৈত-লায়রবা কয়ানা মনিং তম্না শুবা-নোম্বা ফংদনা য়াম্না ৱানা হিংবা ইমুং ফাওবা য়াওদবা নত্তে। মাস্ক উপ্পুবগী পুলিসনা ফাইন লৌরিবনি। অদুবু লৈঙাক্না পাঙথোকপা মীটিং, কনফরেন্স, ইলেক্সননচিংবদদি এস ও পি থোইদোক্লা মমি তাদবা অমদি মী য়াম্না পুন্নবা হোৎনদুনা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবসু চাউনা মমি তারি। মসিগুম্বা কয়া অসিনা নোংমদি গভর্ণমেন্টকী মথক্তা মীয়ামগী অকনবা খোল্লাউ লাকপা য়াই। লৈবাক অসিগী মপি-মপাশিংনা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাংলোন ঙাকপগী মমি তারবদি মীয়াম্নসু ইকায়খুম্নরক্কনি। অফবা খুন্নাই অমা ওইহনগে হায়রবদি ইশা-ইশাদগী হান্না শেমদোক্কদবনি হায়না লাউরুবগী ৱাহন্থোক লৈরিবরা?

**❒ অমরজিৎ খাঙেম্বম, চিংমৈরোং**

### কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী মশিং হন্থরে লৌনরিবসি টেষ্ট তৌবগী চাং হন্থবসু ওইরম্বা য়াই



কোভিদ-১৯গী লানলোং অসি লৈঙাক অমদি মীয়াম্না লোইরে হায়না লৌবদি লানগনি। কোভিদ পোজিটিভ ওইগী চাং হন্থরে হায়না লৌনরিবা অসি অরানবা ৱাখল ওইগনি। মরমদি টেষ্ট তৌবগী চাং য়াম্না হন্থখিবনা পোজিটিভ ওইবগী চাংসু হন্থখিবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। হৌজিক্তি মীপুম খুদিংনা খঙনরে মদুদি টেষ্ট তৌগদবগী মহুৎতা লোৎশিনবনা ফরে খন্নরে। হন্দক্কী ইলেক্সন তৌখিবা মফম খরদা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাকখিদবগী এ সী খরদা টেষ্ট তৌখিবা অদুদা মীওই কয়া থোক্লককখি অমদি থোক্লককখিদে হায়বসি পূম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। অমরোমদা ইমা কৈথেল হাংদে হায়বখকনি ষ্ট্রিট ভেন্দর কয়াদি কৃক-কৃক ইন্নদুনা ফম্নরি। খুমন লম্পাকতা সেকেন্দ হেন্দ য়োল্লিবা মফমশিংদসু কদাই ফাওবা এস ও পি ঙাক্লিবগে? চৈরক অসিদা অনৌবা বি.১.১৭ লাইন এজ কৌবা কোভিদ মখল অমসু কন্না শন্দোরক্লবা মতম অসিদা ঐখোয় খরা চেকশিন্না লৈবা ফগনি। ইন্দিয়াদা মীওই ৬ পোজিটিভ ওইখ্রবনি। অদুগা মণিপুরদসু য়ু কেদগী হল্লকপা অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়বগী পাউ তারে। পূম্নমক অসি য়েংলগা বাই-বাই অমদি ন্যু য়রগীদমক লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই।

**❒ জুলিয়েট অকোইজম, শিংজমৈ ওইনাম থিংঙেল**

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

**তাং ৩০। ১২। ২০২০ইং, য়ুমশকৈশা; অয়ুক পুং ৮.৫৮ ফাওবা পোইনুগী থানিলনি, মতুংদি ১৬নি পাল্লনি।**



**মেষ :** য়েক্লবনা নথক থোংবদা পাউথোকপিবা অমদি অরং অরাক মাঙবা য়াবা লৈ-চেকশিল্লু। মরুপ মপাংনদি চানবীগনি অমদি ওইজ-ওইথকসু ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- ৱাখল খরা নুংঙাইরগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস।



**বৃষ :** লৌশিং অমদি শেল-থুম তানবদা মায় চাওনা পাক্কনি। অরং অরাক ফংবা য়াবসু লৈ অমদি থবক থৌরম শিন্দোকপা হৈগনি। অঙম্বগা মুক্নবদি তৌগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী**- খাংবা কনবনা য়াইফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।



**মিথুন :** পূক্নিং পেন্না নীংবা থুংবা অমদি নরল চাওখৎপা ঙসিসু লৈ। ললোন ইতিক্তা খুৎচাও থাহৌরো অমদি অনৌবা মরুপ ফংগনি। নাপলদি তৌগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী**- লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।



**কর্কট :** হকচাং অমদি ললোন ইতিক্তা লাইবক ফবা খরা ৱাৎকনি। মরুপ লোয়নরবা চাওনা কান্নগনি, শেল ফংগনি অমদি অপানবা লন ফংবৈ নুংঙাই।
**লৈশা পাখংশিংগী**- মরুপকী মতেং লৌবা য়াগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।



**সিংহ :** মরুপ মপাংগী মতেংনা কান্নবা ফংজৌ হায়বা লৈ। কিগনু অমদি চিংনবা লৈগনু- থৌনা ফুদোকপা কান্নগনি। লাংতক্নবা কোকচরনি। ৱাদি য়াম্না ঙাঙগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী**- লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস।



**কন্যা :** মীচং লৈবনা থৌ পাংগনি অমদি নীংবদুমক পাংবা ঙমগদবা নুমিৎনি। মীয়াম্না থোইনা থাগৎপিগনি অমদি লান্দবনা মায় পাকচগনি। ফত্তবদি পামশিল্লনু।
**লৈশা পাখংশিংগী**- থেংলপ্না নীংবা থুংজৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।



**তুলা :** হকচাং নুংঙাই, মীয়াম্না তেংবাংনিংগনি অমদি নরল চাওখৎকনি। অদুবু নুংঙাইতবা পাউ তাগনি-চরাংনগনু শাফগনি। নাইতোম ৱারেপ লৌবা য়াগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নুংশি মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।



**বৃশ্চিক :** হকচাং নুংঙাইজবা ঙসিসু লৈগনি। য়েক্লবা লৈরসু কিনিংঙাই লৈতে-থৌনাদুম ফুদোকউ য়াইফগনি। চিন কনগনু অমদি নাইতোম ৱারেপ লৌগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নাপলনা মাঙহনগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।



**ধনু :** নীংজবা ফংগনি, অচুম্বনা মাঙওইনবনা লন চাওখৎপদি শোয়রোই অমদি হকচাংসু নুংঙাইবা হেনগনি। অদুবু হান্নগুম নচাক নরলদা য়েংশিনবা য়াম্মী।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নুংশিবা ফংবৈ নুঙাইজৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।



**মকর :** মায় পাক্কনি, অনীংবদুমক পাংবা য়ারগনি অমদি ললোন ইতিক্তা চাওনা ওইজ-ওইথক ফংগনি। মহু চাওবনা তাথিবনা কাইনবগী নুংঙাইতবদি লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নুংশিবনা চানবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।



**কুম্বা :** চরাংনগনু মতম মাঙগনি অমদি য়েক্লবনা খুদোংচাবা লৌখিনি। মীথোই মীহেন্নবা হোৎনবা খুদিংদদি শোয়দনা মায় পাক্কনি। নথক থোংবনা চানবীগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নুংশিবনা চানবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।



**মিন :** অরং অরাক ফংজবা য়াবা নুমিৎনি, মরুপ মপাংগী মতেং ফংগনি অমদি হৈশিংবা হেনগনি। অশাওবতা থাদোকউ অমদি ৱানোম থৌনোম তৌরুনু।
**লৈশা পাখংশিংগী**- খোইরাংগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।